**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা লালহৌবা ৯ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

২) রেলৱে, রোড অমসুং পৱার সেক্তরগা মরী লৈননা পায়খৎপা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৬ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ওনম অমদি ইদ-ই মিলাদ উন নবিনা লাকপদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমগী চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফকী কোব্রা বত্তাল্লিয়ন অমসুং মহিলা বত্তাল্লিয়নগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তাফৌ কুকি অমসুং তাফৌ লিয়াংমাইদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা এস.বি.বি.এল নোংমৈ অনি, তুয়েল্ব বোরগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭৮, তুয়েল্ব বোরগী এমতি কেস ১১, তুয়েল্ব বোর কাত্রিজ বেল্ট অমা, গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন প্লেট য়াওনা অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা তাফৌ কুকিদা লৈরম্বা বঙ্কর অনি

অমসুং তাফৌ লিয়াংমাইদা লৈরম্বা বঙ্কর অমসু সেক্যুরতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা থুগাইদুনা মাংহনখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা ওল নাবিল অমসুং নেপালি বস্তিগী জঙ্গলগী অকোহ্বদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা নোংমৈ মরু য়াওনা পোকখায়বা য়াবা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা আইতিৱান এম.এম চাইনিজ মোর্তার অমা, পোম্পী অহুম, পোম্পী সেল অনি, এক্সপ্লোসিভ কিলোগ্রাম অনি, মিতর ১০ রোম শাংবা কোরদটেক্স ৱায়ার, দিতোনেতর মরি, নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং খাঙবোক্তগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফাখি। মখাতানা স্পেসিয়েল কম্মান্দোগী কাংবু অমনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী য়ুনাইতেদ পিপলস পার্তি ওফ কংলৈবাক (য়ু.পি.পি.কে)গী মীওই ৬ ফাখ্রে। মখোয়দগী লুপ অসিগী লেটরহেদ ২৩, বাউফেং হেন্দসেট, এ-ষ্টার কার অমা অমসুং চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎখি। হায়রিবা মীওইশিং অসি কিহন খঙহনবা অমসুং নম-হাদুনা শেলখায় থুমখায় তৌবদা চৈন্নে হায়বদু মশা মশানা য়াজরে হায়রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অককবা পাউ অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী কাংবু অমনা জিলা অসিগী খুরাই থাংজম লৈকাইদগী সোরেপা লুপগী মীওই অনি ফাগৎখি। মখোয় মফম অদুদা শেল খায়বা লাকপদা কম্মান্দো কাংবু অদুনা ফাখিবনি। মখোয় অনিদগী লুপ অসিগী মীংদা ইবা দিমান্দ লেটর অমসু ফংখি হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদগী মীওই অনিদা ইন্দিয়ান এন.জি.ও এৱার্দস কাউন্সিলগী শিংথানিঙাই ওইরবা মনা টেগোর ইন্তরনেসনেল এৱার্দ ২০২৬ অমসুং নেসনেল টেলেন্ট এৱার্দ ২০২৬ মনা পীরক্লে।

টেগোর ইন্তরনেসনেল এৱার্দ ২০২৬ অসি জিলা অসিদা লৈবা জাফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মাষ্টর (ইনচার্জ) ওইরিবা সোংসির নিকোদিম

মোন্সাংদা পীরকখিবনি। মনা অসি মহাকা পীক্লিবা অঙাংশিংবু মহৈ মশিং তম্বীবদা কৎখোকপগা লোয়ননা মহাকা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আর্ট, কলচরেল এন্দ সোসিয়েল এৱার্দস কাউন্সিলনা খুৎশিন্নরকখিবনি। মহাক ইং ২০২৩ দা রাজ্য সরকারগী বেষ্ট টিচর এৱার্দ ফংখ্রে।

মখা তানা নেসনেল টেলেন্ট এৱার্দ ২০২৬ কী মনা অসিনা দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটরিনারি সরজরি এন্দ রেদিওলোজি, সরজরি এন্দ এনিমেল হেলথ কেয়ার, ত্রিপুরাগী প্রোফেসার অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরিবা ডাঃ সোংসির ৱারসোন মোনসাংদা পীরকখিবনি। মনা অসি মহাকা ভেটরিনারি সরজরি অমসুং এনিমেল কেয়ারগী লমদা লৌখিবা থৌদাং কয়াবু শকখঙদুনা নেসনেল এৱার্দস কমিতি, এন.জি.ও এৱার্দস কাউন্সিলনা ঙরাং খুৎশিন্নরকখিবনি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী কেন্দিদেটশিংগী য়েংলগা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কটরসতা পরিক্ষাগী সেন্তর পীবীনবা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরনা সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিরেক্তরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুদা হায়- থা অসিগী ৬ তা বিভাগ অসিনা থোকপা নোতিফিকেসনগা মরী লৈননা পরিক্ষাগী সেন্তর পীবা মতমদা নোনে অমসুং তমেংলোং খক নত্তনা রাজ্য অসিগী অতৈ জিলা পুমমক্তা সেন্তর পী। হৌজিক চীংগী জিলাশিংদা মায়োকরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমসুং জিলা অনি অসিগী কেন্দিদেটশিংগী য়েংলগা তমেংলোং জিলাদা পরিক্ষাগী সেন্তর পীবীনবা চেরোল অদুদা তকশিনখি।

মোদি ঃ রেলৱে, রোড অমসুং পৱার সেক্তরগা মরী লৈননা পায়খৎপা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৬ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েংশিনখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসি লুপা কোতি লিশিং ৩০ হেন্না চংনবা পায়খৎপনি অমসুং মসিদা লৈবাক অসিগী রাজ্য ৮ কোনশিল্লি। প্রোজেক্টশিং অসিনা লৈবাক

অসিদা কন্নেক্তিভিতি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা, উদ্যোগ অমসুং শেল থুমগী থবক থৌরম হেন্না খুমাং চাওশিনহনবা অমসুং মীয়ামদা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

নিউ দিল্লিদা লৈবা সেভা টর্টতা ঙরাং পাঙথোকপা ৫৩ শুবা প্রগতিগী মীফমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মরুওইবা ট্রান্সপোর্ট অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা মতমদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই। মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্যগী মকোক থোংবা মীওইশিংদা অসিগুম্বা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা চেকশিন্নবা অমসুং হৌরকপগী তাঙ্কক অসিদগী হৌনা কুপা য়েংশিন্নবা খঙহনখি। মতমগা চুনরবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা থবক মপুং ফানা অমদি ক্বালিতি লৈনা পায়খনিবা প্রধান মন্ত্রিনা মন্ত্রালয় অমসুং মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা পাউতাক পীখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ইদ-ই মিলাদ উন নবিনা লাকপদা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরুওইনা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাষ্ট্রপতিগী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রোফেট মুহামদকী পাউতাকশিংবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। প্রোফেট মুহামদনা মীয়ামদা মশাগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্কুনা অমসুং অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা পাউতাক পীরমখি। মহাক্কী পাউতাক্কী তুংইন্না মীয়ামা চাওখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থানা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লি।

অমরোমদা, ওনম কুম্মৈনা লাকপদসু মীয়ামদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। লৌরোক মতম ওইরকপগী কুম্মৈ ওনমনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ অমসুং চৎনবীগী মতুংহন্না অমগা অমগা নুংশি চান্নবগী ব্রাখল্লোনসু হেনগৎহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লম্বীদা চংশিল্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হি লমজেল তান্নবা, নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবনচিংবশিং পাঙথোকরি।

ত্রেদ ঃ ভারত অমসুং মোরোক্কোনা ২০৩০ ফাওবদা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদগী শরুক অনি হেনগৎনবা পান্দম থল্লি। লৈবাক অনিনা ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল কোওপরেসনদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লগনি হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ভারত অমসুং মোরোক্কোগী ৱারেপ অসিনা লৈবাক অনিবু হেন্না নকবা মরী থমহনবগা লোয়ননা মপাঙ্গলসু কনখৎহল্লগনি। ৭ শুবা ভারত-মোরোক্কোগী জোইন্ট কম্মিসন মিতিং অদুদা কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী রাজ্য মন্ত্রি জিতিন প্রসাদা অমসুং মোরোক্কোগী ত্রেদ অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি ওফ ষ্টেট অমসুং ফোরেন ত্রেদকী ইনচার্জন পুরিবা ওমর হেজিরা অনিনা সভাপতি ওইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হাইৱে-টুদা তেক্ত-কায়দনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌহনবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোকখিবা, এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী ৭৯ শুবা রেজিং ডে থৌরম পাঙথোকখিবা, এন.আর.সি অমসুং সেন্সসকা মরী লৈননা মীয়ামা চংশিনখিবা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিংগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পেসেঞ্জর গাড়িশিং তেক্ত-কায়দা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা কুকি অমসুং নাগা ফুরুকী মীওইশিং থাগৎপা ফোংদোকখিবা অমসুং রাজ্য অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপদা ঐখোয় পুমমক থৌদাং লৌমিন্নশি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাড অসিমক মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং পোকফম পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা সেন্সসকী মমাংদা এন.আর.সি চৎনহনবীয়ু হায়বা ৱাকৎশিং হাই কোর্টনা পুন্না খন্নবা হৌখ্রে। সেন্সস য়েথোকপীয়ু হায়বা ৱাকৎশিংদি থা অসিগী ২৮ দা চত্থগদবা ৱায়েল ফাওবা দিফর্দ তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা এন.আর.সি, সেন্সসকা মরী লৈনবা খোঙজং চংশিল্লি, কাংপোকপীদা সেন্সসকী ট্রেনিং পাঙথোকবা হোৎনরম্বদগী থুগাইখ্রে, টি.জিগী য়াল্লবা মহৈরোইশিংনা লোক ভবনদা থোমজিন্নবা হোৎনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা সেনাপতিদা য়ুম মৈ থানখ্রে, নোংমৈ কাপখ্রে, কোব্রা য়াওনা সেক্যুরিতিনা ওপরেসন চত্থখ্রে। সি.আর.পি.এফকী সব-ইন্সপেক্তর অমা শোক্লে, কোতুনা কন্দেম তৌরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীকোক থীবা য়েথোকপা-য়েথোক্তবগী চপ চাবা পাউখুম পীরকবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এক্সাহজগী রেজিং ডে পাঙথোক্তুনা মনা লান্থোকখ্রে, অতেনবা মতমদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ক্রোর ২৯ গী রেভিন্যু তানবা ঙম্বা থাগৎনিঙাই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা সনালৈবাক অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ইসুশিং খন্ননবা সি.এম. খেমচান্দ দিল্লি য়ৌখ্রে, ঙসি নুংথিল অমিত সাহগা উন্নরবা য়ারি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং জিলাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা বাইওমেট্রিক অপদেট সেসন ঙরাংদগী হৌখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাহন তৌরি।

------